# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, WEDNESDAY, JULY 24, 2019 PAGE 7





*ৱার্ল্ড স্বিম্মিংগী মিটর ২০০ গী ফ্রিষ্টাইলদা লুথুৱানিয়াগী এঠলিট দানাস দিসক্কালিফাইদ ওইবদগী গোল্ড মেডল লৌখ্রবা চাইনাগী সুন য়াং*

*লাক্কদৌরিবা ইন্দিয়ান সুপর লীগকী সিজনদা এটলেটিকো দি কোলকটা ক্লবতা শরুক য়াগদৌরিবা ওষ্ট্রেলিয়াগী মিডফিল্ডর দারিও ভিদোসিক*




## ইন্দিয়াগী কেপ্টেন কোহলিনা আই সি সি টেষ্ট বেটসমেন রেঙ্কিংদা নম্বর ৱান পোজিসনদা লৈরি

*দুবাই, জুলাই ২৩(এজেন্সি)ঃ*

ইন্টরনেসনেল ক্রিকেট কাউন্সিল (আই সি সি) না ঙসি থাদোরকপা টেষ্ট বেটসমেনশিংগী মকোক মথং তাবগী পরিংদা ইন্দিয়াগী নুপা ক্রিকেট টিমগী কেপ্টেন ভিরাট কোহলিনা নম্বর ৱান পোজিসনদা লেঙদনা লৈবা ঙম্লি।

নীংশিংবা য়াই, মমাঙদা ইনিদয়াগী টিম্না ওষ্ট্রেলিয়াগী শান্নখিবা টেষ্ট সেরিজদা ইন্দিয়ানা মেটচ ২–১ দা মায় পাকপা ঙমখি। পার্ফোমেন্স অদুগী মতুংদা ইন্দিয়া টিমগী কেপ্টেন ভিরাট কোহলিনা পুন্না পোইন্ট ৯২২ ফংদুনা টেষ্ট বেটসমেন রেঙ্কিং অসিদা নম্বর ৱান পোজিসনদা লেঙদনা লৈবা ঙমখিবনি।

টেষ্ট বেটসমেনগী রেঙ্কিং লিষ্ট অসিদা ন্যু জিলেন্দগী কেপ্টেন কেন ৱিলিয়মসন্না পুন্না পোইন্ট ৯১৩ ফংলগা অনীশুবা পোজিসনদা লৈরি। ইন্দিয়াগী অতোপ্পা বেটসমেন চিটেশ্বর পুজারানা পুন্না পোইন্ট ৮৮১ ফংলগা আই সি সিনা ঙসি থাদোরকখিবা বেটসমেনশিংগী মকোক মথং তাবগী পরিং অসিদা নম্বর থ্রিদা লৈবা ঙমখি।

টেষ্ট টিম রেঙ্কিংদসু ইন্দিয়াগী নুপা ক্রিকেট টিম্না নম্বর ৱান পোজিসনদা লৈরি। ন্যু জিলেন্দনা অনীশুবা পোজিসনদা লৈরগা সাউথ অফ্রিকানা অহুমশুবা পোজিসনদা লৈবা ঙম্লি।



হন্দক্তা আই সি সি ক্রিকেট ৱার্ল্ড কপ ২০১৯গী ৱিন্নর ওইবা ঙমখিবা ইংলেন্দগী টিম্না মরিশুবা পোজিসনদা লৈরি অদুগা ওষ্ট্রেলিয়ানা ৫শুবা পোজিসনদা লৈখ্রে।

টেষ্ট ফোর্মেট অসিগী বোল্লিংদা ওষ্ট্রেলিয়াগী ফাষ্ট বোল্লর পেট্রিক জেমস কুম্মিন্সনা নম্বর ৱান পোজিসনদা লৈবা ঙমখ্রে। ইংলেন্দগী বোল্লর কেভিন এন্দরসনন্না অনীশুবা পোজিসনদা হাইগৎপা ঙমখ্রে। অদুগা মমাঙদা নম্বর ৱান পোজিসনদা লৈরম্বা সাউথ অফ্রিকাগী বোল্লর কাগিসো রাবাদা অহুমশুবা পোজিসনদা হন্থখ্রে।

বোল্লিংগী রেঙ্কিং লিষ্ট অসিদা ইনিদয়াগী বোল্লর অনী টোপ টেনগী মনুং চনবা ঙম্লি। রবিন্দ্র জাদেজা অমদি রভিচন্দ্রন আস্বিন মথংশিংনা ৬শুবা অমদি ১০শুবা পোজিসনদা লৈরি।

টেষ্ট ফোর্মেট অসিগী ওল রাউন্দরগী রেঙ্কিংদা ৱেষ্ট ইন্দিজগী শান্নরোই জেসন হোল্ডরনা নম্বর ৱান পোজিসনদা হাইগৎপা ঙমখ্রে। মমাঙদা নম্বর ৱান পোজিসনদা লৈরম্বা বাংলাদেশকী শান্নরোই সাকিব অল হাসন্না অনীশুবা পোজিসনদা লৈরি। অদুগা ইনিদয়াগী শান্নরোই রবিন্দ্র জাদেজানা অহুমশুবা পোজিসনদা লৈবা ঙম্লি।

## দেজানন্না ইন্দিয়াগী টেবল টেন্নিসকী কোচ ওইরগনি

*ন্যু দিল্লি, জুলাই ২৩(এজেন্সি)ঃ*

কানাদা মচা দেজান পেপিকনা ইন্দিয়াগী টেবল টেন্নিস টিমগী অনৌবা কোচ ওইনা চহী অমা ফম পুবগী থৌদাং লৌরগনি হায়না স্পোর্টস ওঠোরিটি ওফ ইন্দিয়া (সাই) না ঙসি লাওথোকখ্রে।

নীংশিংবা য়াই চহী অসিগী মার্চ থাদা কানাদা মচা দেজান পেপিকপু টেবল টেন্নিস ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়া (টি টি এফ আই) গী মায়কৈদগী কোচ ওইনবগীদমক মমিং পীখৎখিবনি।

ইন্দিয়াগী নুপা অমসুং নুপীগী টেবল টেন্নিস শান্নরোইশিং অসি মমাঙ চহীদা পাঙথোকখিবা জাকর্টা এসিয়ান গেমসকী মতুংদগী কোচ অমত্তা লৈরকখিবনি। নৌনা কোচ ওইনা এপোইন্ট তৌখ্রবা দেজান পেপিক ওগষ্ট থাদগী হৌরগা ফম অসি পায়রগনি হায়রি।

কানাদাগী দেজান পেপিককী কন্ট্রেক্ট অসি কুমজা ২০২০ দা পাঙথোক্কদৌরিবা টোকিও ওলিম্পিক গেমস লোইশিনবা ফাওবনি। মহাক্কী থাগী তলবনা য়ু এস দোলর ৭০০০ নি। মহাক্কী কন্ট্রেক্ট অদু মখা তানা লৈখিগদ্রা নৎত্রগা লৈররোইদ্রা হায়বদুদি টোকিও ওলিম্পিক গেমস অসিগী মতুংদা খঙলগনি হায়রি।

## ওলিম্পিকক্সতা শরুক য়াগদবা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিং য়ামদ্রবদা টেষ্ট ৩ / ৪ দগী তাদনা তৌগনি ঃ নাদা

*ন্যু দিল্লি, জুলাই ২৩(এজেন্সি)ঃ*

জপানগী কোনুং টোকিওনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ২০২০ ওলিম্পিক গেমস অসিদা শরুক য়াগদবা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংবু ৩ / ৪ দগী তাদনা টেষ্ট তৌগনি হায়না নেসনেল এন্টি দোপিং এজেন্সি (নাদা) গী দাইরেক্টর জেনরেল নভিন অগরৱালনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ন্যু দিল্লিদা লৈবা নাদাগী ওফিসতা এজেন্সি অসিগা উন্নবদা নভিন অগরৱালনা ফোঙদোকখিবনি। মহাক্না মখা তানা হায়, হৌখিবা ফাইনান্সিয়েল ইয়র ২০১৮–১৯ অসিদা নাদানা দোপিং টেষ্ট তৌবদা শান্নরোই ১৮৭ ফাগৎখি। মসি হৌখিবা চহীশিংগা য়েংনবদা য়াম্না ৱাংখি।

ৱার্ল্ড এন্টি দোপিং এজেন্সি (ৱাদা) না মালেমগী তোঙান–তোঙানবা লৈবাকশিংগী শান্নরোইশিংবু অচুম্বা মায়কৈদা পুদুনা মখোয়–মখোয়গী লৈজবা মপাঙ্গলগী মতেংনা তোঙান–তোঙানবা দিসিপ্লিনশিং দা মকোক থোংবা তান্নবগী লমজে লগীদমক লৌখৎলক্লিবা খোঙথাং অসি নাদানা মপুং ফানা শৌগৎতুনা লৈবাক অসিগী ওলিম্পিক গেমস শরুক য়াগদবা শান্নরোইশিংদসু অহেনবা মীৎয়েং চঙদুনা য়ামদ্রবদা টেষ্ট ৩ / ৪ তৌবগী ৱারেপ অসি লৌরকখিবনি।




নীংশিংবা য়াই, কুমজা ২০১৭–১৮ ফাইনান্সিয়েল ইয়রদা সেম্পল ৩,০০০–৩,৫০০ কলেক্সন তৌখিবদা শান্নরোই ৭৪ খক দোপ টেষ্টতা ফেল ওইখিবনি।

অদুবু কুমজা ২০১৮–১৯ ফাইনান্সিয়েল ইয়রদা দিসিপ্লিন পুম্নমক্কী ওইনা সেম্পল ৪৩৪৮ কলেক্সন তৌবা ঙমখি। সেম্পলশিং অদুগী মনুংদা য়ুরিন সেম্পল ৩৮৮২ অদুগা ব্লদ সেম্পলনা মশীং ৪৬৬ ওইখিবনি।

হৌখিবা চহীশিংদা শীজিন্নখিবা সেম্পল খোমগৎপগী মওং অদু হোংদোক্তুনা হেন্না কুপথবা মওং দা য়েংশিনবদগী দোপ চিট তৌরম্বা শান্নরোইশিং মশীং ৱাংনা ফাবা ঙমখিবনি।

মহাক্না মখা তানা হায়, ইনিদয়াগী ওইনদি মশাগী অশেংবা মপাঙ্গলনা হোৎনজবা শান্নরোইশিং খক্তমক খল্লগা টোকিও ওলিম্পিক গেমস অসিগীদমক থাগনি। ওলিম্পিক গেমস হৌগদবা চহী অমমুক্তা ঙাইরক্লবা মতম অসিদা শান্নরোইশিং অসিনা তোঙান–তোঙানবা ক্কালিফায়র টুর্নামেন্টশিং দা য়াম্না চিল্লিঙৈ মতম অসিদা ওলিম্পিক ক্কালিফাই তৌবগী চাং ৱাংনা লৈবা শান্নরোইশিংবু খনগৎতুনা দোপ টেষ্ট পাঙথোক্কনি।

মরী লৈনবা স্পোর্টস ফেদরেসনশিংনসু মখোয়–মখোয়না পুরিবা মশান্নশিং অদুদা ওলিম্পিকক্কী ক্কালিফাই তৌবা য়াবগী থাজবা লৈবা শান্নরোইশিংগী লিষ্ট নাদাদা য়ৌহনবিরকদবনি। মসিনা নদানা হোৎনজরিবা ওলিম্পিক গেমসতা দ্রগকী মতেংনা পার্ফোমেন্স পুথোকপা অদুদগী মতম চানা ঙাকথোকপা ঙমগনি হায়না নাদাগী দাইরেক্টর জেনরেল নভিন অগরৱালনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

নভিন অগরৱালনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা লৈবাক অসিদা লৈরিবা তোঙান–তোঙানবা ফেদরেসনশিংনা ফিভম অসি থেংনননবগীদমক চপ মান্ননা থৌদাং লৌমিন্নবগী মথৌ তারি। ইকুই কুইড্রিঙৈদা নাদাগী ওফিসিয়েলশিংনা কেম্পশিংদা সেম্পল লৌনবগী লাকপদা শান্নরোইশিং অয়াম্বা সেম্পল পীরমদনা কেম্প অদু থাদোক্তুনা চেন্নখি।

কেম্প থাদোক্তুনা চেনখিবা শান্নরোইশিং অদুগী মতিক চাবা পাউখুমশিং অদু ফেদরেসনশিংনা পীগদবনি লোয়নন্না লৈবাক অসিদা লৈরিবা ফেদরেসনশিং, ষ্টেট অমদি দিষ্ট্রিক্ট এসোসিয়েসনশিংনসু চৎন–পথাপকী ৱাংমদা লৈরিবা শান্নরোইশিং অসি ফাগৎপদা নাদাদা মতেং পাঙগদবনি হায়নসু বোদি অসিগী দাইরেক্টর জেনরেল নভিন অগরৱালনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

## ইন্দিয়াগী ভগ্যবতি কচারি থাইলেন্দ ওপনগী সেমি ফাইনেল চঙখ্রে




*বেঙ্কোক, জুলাই ২৩(এজেন্সি)ঃ*

থাইলেন্দগী কোনুং বেঙ্কোক্তা চত্থরিবা থাইলেন্দ ওপন বোক্সিং টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী নুপী বোক্সর ভগ্যবতি কচারি কেজি ৭৫ গী কেটেগোরিদা সেমি ফাইনেল য়ৌদুনা মেডল অমদি শোয়দনা ফংলগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি পাঙথোকখিবা নুপীগী কেজি ৭৫ গী ক্কার্টর ফাইনেল বাওট অমদা মমাঙ চহীদা পাঙথোকখিবা ইন্দিয়ান ওপনদা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখ্রবী ইন্দিয়াগী বোক্সর ভগ্যবতি কচারনা ভিয়েটনামগী ঙুয়েন হুৱোংবু য়াম্না হেনবা মওংদা পোইন্ট ৫–০ দা মায়থিবা পীরম্লগা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী নুপী বোক্সর নিখট জারিন্না কেজি কেজি ৫১ গী কেটেগোরিদা শরুক য়াদুনা ওষ্ট্রেলিয়াগী টাসমিন বেন্নিবু পোইন্ট ৫–০ দা মায়থিবা পীরম্লগা ক্কার্টর ফাইনেল চঙখি।

ষ্ট্রান্দজা কপকী সিলভর মেডালিষ্ট ইন্দিয়াগী মঞ্জু রানি (৪৮) কী বাওট অমদা লাওসকী চান্টিলাথপু পোইন্ট ৫–০ দা মায়থিবা পীরম্লগা ক্কার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী অতোপ্পা বোক্সর ইনিদয়ান ওপনদা সিলভর ফংখিবা ব্রিজেস যাদব (কেজি ৮১) গী ঙসি থিন্নখিবা বাওট অমদা ক্রোএসিয়াগী বোক্সর মাটেজ উরেমোভিসপু পোইন্ট ৫–০ দা থোইদুনা ক্কার্টর ফাইনেল চঙখি।

## গুৱাহাটিদা ইন্দিয়াগী অহানবা ৱার্ল্ড কপ ক্কালিফায়র মেটচ শান্নরবা য়াই

*ন্যু দিল্লি, জুলাই ২৩(এজেন্সি)ঃ*

গুৱাহাটিদা লৈবা ইন্দিরা গান্ধী এঠলেটিক ষ্টেদিয়মদা ইনিদয়াগা ওমানগা শান্নগদবা ইনিদয়াগী অহানবা কুমজা ২০২২ ফিফা ৱার্ল্ড কপকী ক্কালিফায়র মেটচ শান্নরবা য়াই হায়না অসাম ফুটবোল এসোসিয়েসন (এ এফ এ) গী জেনরেল সেক্রেটরী হেমেন ব্রহ্মানা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না মখা তানা হায়, এ এফ এনা সেপ্টেম্বর ৫ দা শান্নগদবা মেটচ অসি অৱাং নোংপোক্কী মীয়ামদা ফুটবোল মশান্না অসিদা পামজবসি য়েংলগা গুৱাহাটিদা শান্নহন্নিংবগী অপাম্বা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন (এ আই এফ এফ) কী মায়কৈদগী পোজিটিভ ওইবা রেস্পোন্স পীরকখি।

ফুটবোল গোভর্ণিং বোদি অসিদগী ফংবা পাউ অমদা অসাম ফুটবোল ফেদরেসনগী মায়কৈদগী মেটচ অসিবু গুৱাহাটিদা শান্নহন্নবগীদমক থারকপা প্রপোজেল অদু এ আই এফ এফনা ফংলে, অদুবু করম্বা মফমদা শান্নগদগে হায়বদুদি চপ চানা লৈপ্পা লৈত্রি।

এসিয়ান ফুটবোল কনফেদরেসনগী মীওইশিং লাক্তুনা শান্নবা য়াবা মফমশিং হান্না য়েংখিগনি। গুৱাহাটিগী ইন্দিরা গান্ধী ষ্টেদিয়ম, কোলকটাগী সোল্ট লেক ষ্টেদিয়ম অমদি মুম্বাইগী ফুটবোল এরেনা অহুম অসিগী মনুংদা অমদি ওইরগনি হায়না পাউ অসিনা মখা তারি।

এসিয়াগী লৈবাক ৪০ না গ্রুপ ৮ থোক্লা শান্নগদবা ক্কালিফায়র অসিদা ইন্দিয়ানা কাটার, ওমান, আফঘানিষ্টান অমদি বাংলাদেশকা লোয়নন্না গ্রুপ ‘ই’ দা তামিন্নরি।

হন্দক শান্নগদৌরিবা ৱার্ল্ড কপ ক্কালিফায়র অসিদা ইন্দিয়ানা কন্না হোৎনদুনা মমাঙগী ২০১৮ গী ক্কালিফায়রদা চাওনা মায়থিবা নংখিবা অদুগুম থোক্তনবা হোৎনরি হায়না পাও অসিনা মখা তারক্লি।

## অহুমশুবা টি বি এস এফ এ ভেটেরান ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ দা ফ্লাম য়াইস্কুল মায় পাকখ্রে

*ইম্ফাল, জুলাই ২৩ (এস এন এস)ঃ*

লাইফ লাইন ইনভেষ্টমেন্টনা স্পোন্সর তৌরগা টি ভি এস এফ এ ভেটেরান ফুটবোল টিম্না শীন্দুনা থা অসিগী ৭ তগী টিম ১১ না গ্রুপ ২ থোক্লা খাইদোক্তুনা টি ঐচ বিরচন্দ্র সিংহ ফুটবোল একাদেমীগী তৌবুং খোক গ্রাউন্দদা চত্থরকপা ৩শুবা টি ভি এস এফ এ ভেটেরান ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ গী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা ফ্লাম য়াইস্কুল মায় পাকখ্রে।




টুর্নামেন্ট অসিগী ১৩শুবা মেটচ ওইনা ঙসি অহানবা গ্রাউন্দদা ফ্লাম য়াইস্কুল অমদি ভি এফ সি ককৱানা শান্নখিবা গ্রুপ ‘বি’ গী লীগ মেটচতা ফ্লাম য়াইস্কুলনা ভি এফ সি ককৱাবু গোল ৩–২ দা মায়থিবা পীদুনা পোইন্ট ৩ ফংখ্রে।

শান্নখিবা মেটচ অসিগী অঙনবা মিনটশিংদা ভি এফ সি ককৱাগী শান্নরোইশিংনা বোল য়াঙনা শান্নদুনা এটেক চত্থবদগী মেটচকী হৌরকপদা মিনট ৩ চৎপদা টিম অসিগী জর্সি নম্বর ১৭ এস শ্যামসনন্না মেটচকী অহানবা গোল চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখ্রবসু ফ্লাম য়াইস্কুলনা অতেনবা মিনটতা ভি এফ সিবু শিংনরক্তুনা মেটচকী মিনট ৫ চৎপদা য়াইস্কুলগী জর্সি নম্বর ১৩ অমুন কোমনা গোল হন্দোক্তুনা ১–১ দা মান্ননা লৈখি।

হাল্ফ অসিগী অপীবা মিনট লোইরমদাইশিংদা টিম অনীনা অহেনবা গোল হাপচিল্লক্কবা হোৎনরক্তুনা শান্নরকপদগী ভি এফ সি ককৱাগী জর্সি নম্বর ২৩ টি ঐচ কৃষ্ণনা মিনট ২৩ চৎপদা টিমগী অনীশুবা গোল চন্দুনা ২–১ দা মাঙজিল থাখি।

অদুবু ফ্লাম য়াইস্কুলনা ককৱাগী অনীশুবা গোল চনখ্রবা মতুংগী মিনট ২ কান্নরগা ২৫ চৎপদা য়াইস্কুলগী জর্সি নম্বর ২০ ও ইঙোবীনা গোল হন্দোক্তুনা হাল্ফ লোইবা ফাওবা ২–২ দা মান্নদুনা লৈখি।

অহানবা হাল্ফতা ফ্লাম য়াইস্কুলনা হৈথোই–শিংথোইবা মতৌদা শান্নখ্রবা মতুং অনীশুবা হাল্ফতসু বোল পোসেসন হন্থদনা অদুমক শান্নদুনা অহেনবা গোল হাপচিল্লক্কবা হোৎনখিবগী মমল য়াম্লবা হোৎনজমন অদু ফংদুনা মেটচকী মিনট ৩৭ চৎপদা টিম অসিগী জর্সি নম্বর ১২ খুপনৈঙমনা য়াইস্কুলগী মায় পাকপগী গোল অদু চনখি।

মেটচ অসিদা ভি এফ সি ককৱাগী জর্সি নম্বর ২৫ এম দি য়ুসুফ আলীদা মেটচ কন্দক্ট তৌখিবা রেফরিনা ফাও শান্নবগীদমক য়েলো কার্দ বুক তৌখি। মেটচ অসি ঐচ মহেস, কে ইবোতোম্বী, এন জি কেশো অমদি কে রঞ্জিৎনা মথং শিংনা সেন্টর রেফরি, এসিষ্টেন্ট রেফরি ৱান, এসিষ্টেন্ট রেফরি টু অমদি ফোর্থ ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক্ট তৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ১৪শুবা মেটচ ওইনা ঙসি অনীশুবা গ্রাউন্দদা টি ভি এস এফ এ (এ) তাওবুংখোক অমদি টি আর ভি এস এ মালোমনা শান্নখিবা গ্রুপ ‘এ’ গী লীগ মেটচতা টিম অনীমক গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা দ্রো চৎতুনা পোইন্ট য়েন্নখ্রে।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা টিম অনীমক্না লম্বা চানা শান্নদুনা মাগী মাগী এটেক্কিং জোনশিংদা লেপ্পা লৈতনা এটেক চত্থনদুনা প্রেসর পীশিন্নখ্রবসু টিমশিংগী দিফেন্দরশিংনা মথৌ খঙনা শান্নবদগী অহানবা হাল্ফকী অপীবা মতম লোইশিনখ্রবা ফাওবদা গোল অমত্তা চন্নদনা লাকখি। অনীশুবা হাল্ফকী মতম অদু শান্নরকপদসু মায়কৈ অনীদগী গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্নখিদবদগী মেটচ অদু দ্রো চৎতুনা পোইন্ট য়েন্নখি।

মেটচ অসি কে রঞ্জিৎ, এন জি কেশো, কে ইবোতোম্বী অমদি ঐচ মহেসনা মথংশিংনা সেন্টর রেফরি, এসিষ্টেন্ট রেফরি ৱান, এসিষ্টেন্ট রেফরি টু অমদি ফোর্থ ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক্ট তৌখি।

### জপান ওপন বেদমিন্টন ২০১৯

## ইন্দিয়াগী সাই প্রনিথ, পোনাপ্পা–রানকিরেদ্দি মায় পাকখ্রে

*টোকিও, জুলাই ২৩(এজেন্সি)ঃ*

জপানগী কোনুং টোকিওদা ঙসিদগী শান্নবা হৌখিবা য়ু এস দোলর ৭৫০,০০০ গী শেলগী মনা লৈবা জপান ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী শান্নরোই সাই প্রনিথ অমদি পোনাপ্পা–রানকিরেদ্দি মায় পাক্তুনা অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে।

জপান ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী শান্নরোই বি সাই প্রনিথনা টুর্নামেন্ট অসিগী য়ুম্বু লৈবাক জপানগী কেন্টা নিসিমোটোবু ষ্ট্রেট গেম অনী ২১–১৭, ২১–১৩ দা মায়থিবা পীরম্লগা অনীশুবা রাউন্দদা অতোপ্পা জপানগী শান্নরোই কে সুনেয়ামাগা লম্বা তৌনরগনি।

জপানগী কে সুনেয়ামানা ঙসি শান্নখিবা মহাক্কী অহানবা রাউন্দগী মেটচতা টুর্নামেন্ট অসিগী ৫শুবা সিদেদ শান্নরোই চাইনাগী চেন লোংবু ২১–১৪, ২১–১৭ দা য়াম্না লায়না মায়থিবা পীরম্বনি।

নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা অহানবা সিদেদ ওইরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী য়ুম্বু লৈবাক জপানগী শান্নরোই কেন্টো মোমোটানা দেনমার্ককী ঐচ কে ভিট্টিঘসপু ২১–১৭, ২২–২০ দা মায়থিবা পীরম্লগা অনীশুবা রাউন্দদা থাইলেন্দগী ৱাংচারোনগা শান্নরগনি।

জপানগী ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা ৭শুবা সিদেদ শান্নরোই ইন্দোনেসিয়াগী এ এস গিন্টিংনা ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেটচতা চাইনাগী লু গুৱাংজুবু ২২–২০, ২১–১৬ দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দদা থাইলেন্দগী শান্নরোই এস থাম্মাসিনগা শান্নরগনি।



জপান ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা অহানবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবী চাইনিজ তাইপৈগী টাই ঝু য়িংনা ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দদা য়ু এস এগী ঝাং বৈৱেনবু ২১–১৭, ২১–১৯ দা মায়থিবা পীরম্লগা অনীশুবা রাউন্দদা ইন্দোনেসিয়াগী শান্নরোই জি এম তুঞ্জুংগা শান্নরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী য়ুম্বু লৈবাক জপানগী শান্নরোই নোজোমী ওকুহারানা অহুমশুবা সিদেদ ওইনা শরুক য়াদুনা ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দদা অতোপ্পা জপানগী শান্নরোই এস কাৱাকামীবু ২১–৯, ২১–১৭ দা মায়থিবা পীরম্লগা অনীশুবা রাউন্দদা দেনমার্ককী এম ব্লিচফেল্টকা শান্নরগনি।

নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা ৭শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবী থাইলেন্দগী ইন্টানোন রাটচানোক অহানবা রাউন্দদা সাউথ কোরিয়াগী কিম গা ইউনগী মখূত্তা ১৫–২১, ১৩–২১ দা মায়থিহৌখি।

৬শুবা সিদেদ চাইনাগী হি বিংজিয়াওনা ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দদা অতোপ্পা চাইনাগী শান্নরোই কাই য়ানিয়ানবু ২১–১১, ২১–১৫ দা মায়থিবা পীরম্লগা অনীশুবা রাউন্দদা থাইলেন্দগী নিটচাপোল জিন্দাপোলগা শান্নরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মিক্স দবলসকী ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেটচতা ইন্দিয়াগী পেয়র আস্বিনি পোনাপ্পা অমদি সাটৱিকসাইরাজ রানকিরেদ্দিনা জর্মনিগী পেয়র লিন্দা ইফ্লর অমদি মার্ভিন সৈদেলবু ২১–১৪, ২১–১৯ দা মায়থিবা পীরম্লগা অনীশুবা রাউন্দ চঙখি।

নুপাগী দবলসতা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী পেয়র মনু অত্রি অমদি সুমিত রেদ্দি ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দদা মালেসিয়াগী পেয়র গো ঝে ফৈ অমদি নুর ইজুউদ্দিনগী মখূত্তা ১২–২১, ১৬–২১ দা মায়থিহৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী হয়েংগী মেটচশিংদা ইন্দিয়াগী মকোক থোংবা শান্নরোই পি ভি সিন্ধু অমদি কিদম্বী স্রিকান্ত মখোয়–মখোয়গী মেটচ শান্নগনি। পি ভি সিন্ধুনা হয়েং শান্নগদবা অহানবা রাউন্দদা চাইনাগী য়ু হানগা শান্নগনি। অদুগা কিদম্বী স্রিকান্থনা হয়েং শান্নগদবা অহানবা রাউন্দদা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোই ঐচ এস প্রনোইগা থেংনরগনি।


নঃ ৪(২১)৭৯–৮০/জে এন এম ডি এ
ওফিস ওফ ডি জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর ডান্স একাডেমী ইম্ফাল

খঙহঞ্জবা

ইম্ফাল, তাং ২৩ জুলাই, ২০১৯ ইং

হৌখিবা তাং ১৩ / ৭ / ২০১৯ ইংগী Sangai Express অমদি তাং ১৪ / ৭ / ২০১৯ ইংগী Sanaleibak গী চেফোঙশিংদা জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর ডান্স একাডেমী অহাংবা ফম খরা কৌজখিবা অদু মখাগী ফমশিং অসিগী ওইনদি দরখাষ্ট পীশিনবগী অরোইবা তাং ২৯ /৭ /২০১৯ ইং ফাওবা ওইরগনি। অতৈ মহৈগী থাক অমসুং অতৈ গুনগীদি অহোংবা লৈরোই। চহীদি তাং ২৯ / ৭ / ২০১৯ ইংদা চহী ৫০ দগী তাদবা ওইগনি।

১। গুরুহন (সংকীর্তন–চোলোম) ফম – ১
২। গুরুহন (সংকীর্তন–পুঙ) ফম– ১
৩। গুরুহন (সংকীর্তন–ঈশৈ) ফম– ১

অকুপ্পা মরোলগীদমক একাডেমীগী ওফিসতগী খঙবীবা য়াগনি।

সহি/–
Administrative Officer, JNMDA

SL/4665/24


ক্রোসৱার্দ ২২৮ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| M | E | S | S | ■ | P | L | O | T | ■ | L | A | T | H | E |
| I | D | O | L | ■ | I | O | W | A | ■ | A | R | R | O | W |
| D | E | D | I | C | A | T | E | D | ■ | T | E | A | S | E |
| I | N | S | T | A | N | T | ■ | ■ | R | E | A | P | E | R |
| ■ | ■ | ■ | ■ | P | O | O | R | ■ | E | N | S | ■ | ■ | ■ |
| R | A | I | S | E | S | ■ | E | R | I | E | ■ | C | A | R |
| E | L | S | E | ■ | ■ | R | E | I | N | S | T | A | T | E |
| N | O | S | E | S | ■ | E | N | D | ■ | S | I | M | O | N |
| E | N | U | M | E | R | A | T | E | ■ | ■ | M | E | N | D |
| W | E | E | ■ | S | O | L | E | ■ | A | I | S | L | E | S |
| ■ | ■ | ■ | A | S | S | ■ | R | E | V | S | ■ | ■ | ■ | ■ |
| T | H | E | S | I | S | ■ | ■ | R | E | L | E | A | S | E |
| R | A | D | I | O | ■ | S | C | A | R | E | C | R | O | W |
| O | R | G | A | N | ■ | H | O | S | T | ■ | H | I | R | E |
| T | E | E | N | S | ■ | H | O | E | S | ■ | O | D | E | S |